হুয়েন লানপাও
HUEIYEN LANPAO

# ঙক-ঈ-কো নঙসে ফিল্মগী হিরোইন য়ুম্নাম রজনি



মণিপুরী ফিল্মগী লময়ানবশিং অদুক হাক্লা মশীং পংয়াম য়াম্বা নত্তে। অদুবু মখোয় খরা অদুদি লমদমসিগীদি মনি মুক্তাগুম্বনি। মণিপুরী ফিল্মগী মঙ মঙলম্বা অহল-লমন কয়া অমা লৈখ্রে। ময়াম অদুনা হোৎনবীরম্বা কয়া অদু ঙসিগী মীরোল অসিনা খঙনীংবা পোকপগী ৱাখলদগীদি লাপ্লা লৈখ্রবদৌনা তৌরকপা অমা উবা ফংই। মরু ওইনা হৌরক্লিবা নহাশিং অসিনা মখোয়না চৎপা ফংলিবা লম্বী অদু কনা-কনানা থোল্লম্বনো হায়বা অদু ফাওবদি খঙফম থোকপনি হায়না লৌই। মণিপুরী ফিল্ম থোরকপা হৌরকপদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা এক্টর অমা ওইনা শরুক য়াক্লিবা মশক মমিং নাইরবা, মশাগী ফিদা চপ চানা কঞ্জবা ঙম্লবা কয়া অমসু লৈরি। অদুবু ঙসিদি ঐখোয়গী ইরত্তগী তপ্পা তপ্পা লাপথোরকপগুম তৌরি। তাঞ্জা অসিদা কলম অসিনা ঙসি শক্লাইরবী এক্টর অমগী পুন্সিগী মপাও খরা পুদুনা লাকচরি।

মণিপুরী ঠিএটরনা মশা মরেং কন্না ফনগৎলকপা, মীয়াম্নসু ঠিএটরবু অচঙবা লমদমসিগী কুম্মৈলেন অমা ওইনা লৌনরম্বা মতমদা থোরকখিবনি য়ুম্নাম রজনি। লৈময়োল আর্ট সেন্টর, চিংঙাম-খা, মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ননচিংবা লমদম অসিগী মমিং লৈরবা ঠিএটর ইন্সটিট্যুটসিদা য়াওদুনা মমিং লৈরবা দ্রামা কয়াদা রোল কয়া লৌদুনা মীয়াম্না শকখঙনবা এক্টর অমা ওইরকখি। য়ুম্নাম রজনি, য়ুম্নাম লৈকায় লাইরেম্বী মনিংদা পোকখি। অপোকপগী মিংনা লৈখিদ্রবা য়ুম্নাম অপাবী সিংহ অমদি অপোকপীগী মিংনা লৈখিদ্রবী য়ুম্নাম ওংবী অমুয়াইমা দেবী কৌই। লৈকায় অসিমক্তদা লৈবা পেবম কুমারগা লোয়ননা য়ুম্বানমিন্নদুনা মচা নিংঙোল অমা অমদি পিবা অমগী মমা ওইরি। মশাগী চহী ১৪ শুরকপা মতমদগী ঠিএটরদা খোঙ থাংজিল্লকপা হৌরকখি। পীক্লিঙৈদগী হৌনা আর্টপু পামজরক্লবসু কমদৌনা করিদা চঙগদগে হায়বা অদুগী মরমদদি থোইনা খল্লুবা লৈখিদে। লৈকায়গী মবুংশিং থোকপা লৈময়োল আর্ট সেন্টর (এল এ সী)দা আর্টিষ্ট অমা ওইনা লৈবা অমনা হায়রকপদগী ইখঙ খঙহৌদনা মশাগী অনীংবা অপাম্বা অদুগা লোয়ননা অহল-লমনগী অয়াবা লৌরগা এল এ সীদা আর্টিষ্ট অমা ওইনা য়াওবা হৌরকখি। ইহান হান্না কুমখিবা দ্রামাদি- **কুঞ্জমালা** হায়বা অসিনি। সিগী মতুংদা **য়ায়াদেভ কাভি** হায়বা দ্রামা অমগা মপুং ফানা কুম্লকখি। হায়রিবা এল এ সী অসিদনি ইহান হানবা ওইনা কোন্না মণিপুরী ফিল্মগী ইহান হানবা মৈতৈ মচা ফিল্ম দিরেক্টর অমা ওইরক্কদৌরিবা এস এন চান্দগা থেংনখিবা। এস এন চান্দ মতম অদুদা এল এ সীগী মরুওইবা এক্টর অমা ওইনা লৈরমখি। য়াম্না ফজনা এক্ট তৌবা মমিং লৈবা এক্টর অমা ওইরমখি। মহাক্না লোয়ননা লীলা অনী অসিদা শরুক য়ামিন্নরকখি। মদুদগী য়ুম্নাম রজনিবু এস এন চান্দনা খঙবা হৌরকখি।

এল এ সীদা য়াওরম্বদগী লৈকায়গী অহল-লমনশিং য়াওনা হায়রদগী মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু)দা য়াওবা হৌরকখি। এম দি য়ুদা য়াওরকপদদি য়ুম্নাম রজনিগী ঠিএটরগী চপ চাবা ফিরেপ অমা লেপ্পা হৌরকখি। লাইগুম্লবা মতমদুগী অহল-লমন কয়ানা য়াম্না মপুং ফানা তাকপী তম্বীদুনা ঠিএটরগী চপ চাবা মশক খঙবা হৌরকখি। লোয়ননা কেরেক্টর অমা শাবদা কমদৌনা তৌগদগে, করম্না কেরেক্টর অদুগী মনুংদা চঙশিন্দুনা এক্ট তৌগদগে হায়বনচিংবা অকুপ্পা কয়া অমা ঙসিমক্তি লৈখিদ্রবা এম দি য়ুগী অহল-লমন ওজা-গুরু দিরেক্টর কয়ানা য়াম্না নীংথিনা তাকপীরকখি। এম দি য়ুদা কুমখিবা লীলাশিং খরগী মমিং পল্লবদা- **হাওরং লৈশং শাফবী** (প্লে অসিমক্তি য়াম্না কুইরবা এম দি য়ুগী খক্তা নত্তনা ওল ইন্দিয়াগী দ্রামা কম্পিটিসনদা ফোক কেটগোরিদা ফর্ষ্ট প্রাইজ লৌখিবা য়াম্না মমিং লৈবা প্লে অমনি। প্লে অসিনা ওল ইন্দিয়াগী ওইনা ফর্ষ্ট তারকপদা লৈবাক পুংজাও থিনখি। গভর্ণমেন্টকী স্কুল, কোলেজ ফাওবা ছুটি থাদুনা য়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকখিবা অমনি। মসি মণিপুরগী ঠিএটরগী হিষ্টোরিদা চল্লিবা তাঙলবা প্লে অমনি। প্লে অসিদি মীরোল কয়া কয়ানা আর্টিষ্ট শীন-শীন্দুনা শান্নরক্লবনি। প্লে অসিমক অসুক্কী মতিক মশীং য়াম্না শান্নখিবা ক্লব ওর্গনাইজেসন কয়ানা লেপ্তুনা চেরিটি লৌদুনা য়াম্না কুংনা শান্নখিবা প্লেশিংগী মনুংদা অমনি। হায়রিবা প্লে অসিদা য়ুম্নাম রজনিসু সপ্পোর্টিং এক্ট্রেস ওইনা এম দি য়ুদা অহানবা ওইনা শরুক য়াবা হৌরকখিবনি), **তোনু লাইজিংলেম্বী, চহী তরেৎ খুন্তাকপা, শতি খোংনাং, মাঙলুরবা মনি, সূটিং, লম্বী চৎপা, রামের সুমতি, নুমীৎ তাখিদৌরে, ঐবু করি নুংগীনো, কুরুক্ষেত্র, কৃষ্ণ অবটার, থম্বালনু, য়ুমগী মৌ, খোংজোম লান, জপান লাল** খরা অসি মমিং পনবা য়াই। মসিদা নত্তনা সিভিল সর্ভিসেস দ্রামা কম্পিটিসনদসু পি দব্লিয়ু দি দিপার্টমেন্টকী মখাদা প্লে কয়া কুম্লকখি। মমিং খরা পনবা য়াবদা- **নুঙৌগী তেংথাখোল, রিক্সিনি, সখারাম বিন্দর, চহীদুগী**



**য়াওশঙ থা, অলেজেন্দর, ৱাশক** হায়রিবশিং অসিনি। সোর্ট প্লে কয়া অমসু কুম্লকখি। য়ামখ্রবা প্লেশিং লোয়নমক নীংশিংদুনা মমিং পঞ্জবা ঙমজদ্রে। ওল ইন্দিয়াগী লেভেলদা অমদি লমদম অসিদা পাঙথোকপা ঠিএটর ফেষ্টিভেল/কম্পিটিসন কয়াদা পুন্না বেষ্ট এক্ট্রেস- ১০, (সতি খোংনাং ১৯৭৬, ওল ইন্দিয়া); লাই খুৎশাংবী, ১৯৮১ ওল ইন্দিয়া; নুঙৌগী তেংথাখোল, ১৯৮৩; রোক্সিনি, ১৯৮৪; নোংদা অপামথোইবা, ১৯৮৪; নোঙ্গাই শংলৌরেম্বী, ১৯৮৭; পার্থা সরাথি, ১৯৮৮; সাখরাম বিন্দর ১৯৯৫; পুরক্লে পাউজেল ১৯৯১, মমা লৈমা ১৯৮৩); সেকেন্দ বেষ্ট এক্ট্রেস-২ (খুল্লাকফম ১৯৯০ অমদি চহীদুগী য়াওশঙ থা ১৯৯৭); থর্দ বেষ্ট এক্ট্রেস-২ (চেৎখায়রবী মালেম, ১৯৭৮ অমদি অলেজেন্দর, ১৯৮৬); বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেসতা **ৱাশক** হায়রিবা প্লে অসিদা ১৯৯৬তা ফংখি। মসিদা নত্তনা এম দি য়ুনা মহাক্না মণিপুরী ঠিএটরদা তৌরিবা কন্ট্রিব্যুসন কয়া অসি য়েংদুনা ১৯৭৮তা চাওবী দেবী এৱার্দ পীদুনা ঈকায় খুম্নখি। অমদি মমিং লৈরবা প্লে কয়াগী গোল্ডন জুবিলি অমদি সেলেব্রেসন কয়াদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। য়ুম্নাম রজনিগী য়াম্না নুংঙাইবা অমদি নুংশিবা ৱারী অমা লৈ। নুপী ওইবীগী পুন্সিদা য়ুম পানবা হায়বসিদি তৌফদ্রবা অমনি। মতমগী শিংকক্লা কত্তুনা পীরকপবু কনানা থিংবা ঙমগদগে? হায়নখিবা য়ানখিবগী মতুংইন্না ৱাই রজনি য়ুম্বান লম্বীদা খোঙ থাংজিনবগী চেল্লে। অদুবু মতমদুদা এম দি য়ুগী দ্রামাসি চেরেটিনচিংবা তৌবদা অসুক্কী মতিক য়াম্না উৎপা মতমনি। অদুনা চেনবা নুমীৎকী নীনি শুবদা এম দি য়ুগী দ্রামাদি লৈবা, সোমদনা ইমুং-মনুংগী ওইবা মরৈ খরা লৈনবদগী ফাদোক ফাজিন তৌনবা থৌরাং তৌনরকপা মতম ওইবা, মদুদা এম দি য়ুগী অহল-লমনশিংনা রেস্পোন্সিবিলিটি লৌরগা দ্রামা শান্নবা লাকখি। মদুদা মপামলোমগী মিনদি লীলা উৎপা লোইরগা থোরকপদা ফাজিনহৌনবা হায়দুনা গেটতা ঙাইদুনা লৈবা মতম, অদুগা নুপা ময়ুমগী মিগা দ্রামাগী ওজা অহলশিংনা য়ানরগা অরোনবা লম্বী অমদা অমুক চৎখিনবা হোৎনদুনা এম দি য়ুগী মনিংলোমদা লীলা হেক লোইরকপদা লোন্না থোক্লগা চেল্লকপগী নুংশিরবা ৱারী অমসু লৈরি। ঠিএটর হায়বসিদা অসুক্কী মতিক য়াম্না পামজনা থৱায় য়াওনা চঙশিঞ্জরকখিবা আর্টিষ্ট অমা ওইখি।

১৯৭২দা **মতমগী মণিপুর** হায়না মিংথোনবা ফিল্মনা সেন্সর সর্টিফিকেট লৌদুনা মীয়ামদা লান্থোরকপদা মীয়ামগী পূক্লিংদা অঙকপা ফংনা নুংঙাইবা ফাওনখি। থা খরা খন্নরবা মতুংদা ১৯৭২ অসিমক্তদা **ব্রোজেন্দ্রোগী লুহোংবা** ফিল্ম অসিসু থংমু নাওমু ওইনা লাকখিবনি। শেল-থুমগী ফীভম খরা খুদোংচাদবনা মরম ওইরগা রিলিজ তৌবদা তপথখিবনি। মৈতৈ মচানা দিরেক্সন পীবা, লমদম অসিগী ম্যুজিক দিরেক্সন মখাদা মপানগী আর্টিষ্ট সিঙ্গর অমনা ঈশৈ ইহান হান্না শকহনখিবা ফিল্মনি ব্রোজেন্দ্রোগী লুহোংবা। হায়রিবা ফিল্ম অসিদগী হৌনা য়ুম্নাম রজনি শরুক য়াবা হৌরকখি। মদুগী মথংদা **ঙক-ঈ-কো নঙসে (১৯৭৪)** হায়বা ফিল্ম অসিদদি মরুওইবা প্রোটাগোনিষ্ট রোলদা কুমদুনা মীয়ামদা মপুং ফানা শক তাকপা হৌরকখি। সিগী মতুংদা **য়াইরিপোক থম্বালনু (১৯৮৪), মৈচাক (ফিল্ম অসিমদি খরা থেংনা রিলিজ তৌরকখি)** নচিংবা ফিল্মশিংদা শরুক য়ারকখি। মণিপুরগী সেল্লুলোইদ ফিল্মগী ইরা অমা লোইখিদুনা দিজিটেল ফিল্ম লাক্লবদসু এক্টর অসিগী দিজিটেল ফিল্ম খরদা শরুক য়ারকখি। মমিং পনবা তারবদা- **অঙাংবা কুরাও মপাল, থম্মোয়গী ৱাহং, পামজবা শক্তম** হায়রিবশিং অসিনি। লোয়ননা টেলে ফিল্ম **ঐগী ইচানবু** অমদি **মমৌ ইবেম্মা** হায়রিবা টেলে ফিল্ম অনীসিদসু শরুক য়ারকখি। এক্টর অসিগী য়াম্না পকচরিবা অসি ভোইস অমদি বোদি লেংগ্বেজগা য়াম্না চুশিন্নবা, ঈং-তপ্পা মেংনা নুংশি নুংওননা ঙাংবা অমদি হায়দোরকপদা ইমোসনেল য়াম্না ওইবা ঙাংবগী য়াম হৈ-শিংবা অমা য়াওরি। মদুমক্লা মহাক্কী খোঞ্জেলদা মীয়ামগী পূক্লিং চপ চানা খোনবা ঙমখিবনি।

ঙসিদি এক্টর অসি অহল ওইশিল্লে। মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা মহৌশাগুম মশা খিং খিং লাউবা হায়বদুমদি ওইদ্রে। অদুবু হৌজিকসু মতম অমগী মহাক্কী মতিং কয়া অদুমদি লেঙদনা লৈরি ময়েং তাদ্রি। শেম্বীরিবা মপুনা থৌজানবীদুনা পুন্সি নুংশাংবা অমদি ৱাখল লৌশিং অহেনবা পীবীদুনা নৌনা হৌরক্লিবা কয়াদা অনৌবা ৱাখলগী ময়োল চোংহন্নবা ইথিল কয়া পীবীবা ঙম্বা ওইসনু হায়দুনা থৌনিজরি।

- নানি

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওস্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৬।০৪।২০২৩ ইং, নোংমাইজিং ;
ফাওবা শজিবুগী ২৬ নি পানবা।

মেষ: য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাংবীবা, পুক্লিংদা মীৱা লৌবনা চিংনবগী চাং ৱাংখৎলকপা নুমিৎনি। অরিবা থবক পাঙবা অমদি লন ফংবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃষ: লৈজবা লৌশিং ফুদোকউ-কনানসু লাকচবা ঙম্লোই। পেন্থোকপা হৈবনা নুংশাথিবদৈ কোকচগনি। হুরানবশিংনা অতম্না তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- শকখঙদবা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: পুক্লিং নুংঙাইজবা, লন ফংবা অমদি নঙগী ওইবা মীশিংনা তেংবাঙবীবা নুমিৎনি। ৱাখল লৈতাদনা থৌপাঙবদি য়ারোই - চাদিং হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

কর্কট: হন্থবা লোয়নবনা মাঙবা, মতাং চাদনা থৌনা ফুদোকপসু অপঙ তাবা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইজবা, শেন্দোং য়াম্না লৈবা, থাগৎপিবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: মীচঙ লৈরনি-মীপায়বা কোকচরনি। নচা-ননাইগী লমদা অখঙ অহৈগী ৱা তাদ্রদি মাঙজগনি। ফত্তবা ৱাখলনা মাঙওইনদ্রদি কান্নজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্য: নাপলনা মাঙজবা, মীকোক থোংবা ৱাবা অমদি হুরানবদৈ চেকশিনগদবা নুমিৎনি। অদুমকপু নচাক নরলদি চাওখৎকনি, অঙম্বনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী খরদি ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: পাইরক্কী লৌশিং শোল্লি-অরুবা ৱারেপ নাইতোম লৌগনু। নীংবা মপা চাদবনা মরুপ মপাংগা মরী ফরোই। ইমুং মনুংগী ৱা নীংথিনা তারদি ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- আশা চাওখিনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: ৱাখল থোকপা, লাই-গুরুনা চানবীবা, অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা,ওইজবা ফংবা নুমিৎনি। নক্লবনা খরদি য়েংশিল্লি-কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু: মীনা ঙাংবা তারগা পুক্লিং ৱাগনি-লুনা খনজিল্লনু। কৎথোকপা/মতেং পাঙথোকপগী খ্বাইদগী ফবা মতাংনি। অরিবা থবক্তদি কায়রোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম লৌখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: পুক্লিং মকা লামগনি, নচা-ননাই অমদি মীয়ামগা মরী ফগৎকনি, শেন্দোং চাওগনি, মীরক চঙলগা হেন্না নুংঙাইগনি। নুংঙাইবা পাউ তাজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: থৌওং খঙবা অমদি পোরম শীনবা লাঙবা হৈবনা ঈকাই খুম্নবা ফংগনি। অশাওবনা মাঙজবতা নংগনি, পাঙনীংবা থবক পনবগী নুংঙাইরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈতে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মীন: মীচঙ লৈ, ওইজবা তানবদা খুৎচাও থাবা মতাং চাই। তীন্নবনা নচাক-নরলদা মীতাই-মরুপ খনবা হৈয়ু। থিবা হুম্বা কল্লগনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## অমরজিৎ মীশিগী লংলা-লংজিল পুথোকপীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লক্কদৌরি




ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) : লাইশ্রম অমরজিৎকী মীশিগী মতাংদা চপ চাবা লংলা-লংজিল লাক্লিবা এপ্রিল ২২ ফাওবগী মনুংদা পুথোকপীদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীগদবনি। করিগুম্বা চয়োল অমসিদা তাল্লিবা দিমান্দ পীবীদ্রবদি লম্লাইগী মীয়াম অমদি মায়কৈ অসোমগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা লোয়ননা মখল-মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না জে এ সী এগেনষ্ট দ ব্রুটেল কিল্লিং ওফ লাইশ্রম অমরজিৎ এলিয়স ইথোই লম্লাইগী জে এ সীগী কনভিনর এলাংবম দয়ানন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা জে এ সীগী কনভিনরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অমরজিৎকী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবা অসি য়েংবীদুনা অমদি মহাক্কী লৈহৌরিবা পীক্লিবা অঙাং নুপামচা অনীসিগী খনবীরগা মখোয়গা চান্নবা লৈঙাক্কী থবক পীবীয়ু অমসুং অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিনখি। লম্লাই মখা লৈকায়দা লৈবা য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনদা ভি দি এফ ওইনা থবক তৌরম্বা লাইশ্রম অমরজিৎ (৩৩) অপোকপা লাইশ্রম মুশুক মীতৈ হায়রিবা মীওই অসি মমাঙ থা মার্চ ৯গী নুমীদাং পুং ৯ তাবদা য়াইঙংপোকপী পি ঐচ সীগী মনাক্তা ফুটবোল গ্রাউন্দদা মমান্নবশিংগা থাবল চোংলুগনি হায়না য়ুমদগী থোকখিবনি। মফম অদুদা মমান্নবশিংগা থাবল চোংমিন্নরবা মতুং মহাক্না চৎমিন্নখিবা মমান্নবা মরিনা থাবল চোংহৌখি। অদুগা মহাক্না য়ুমদা খোঙনা হল্লকপদা নুমীদাং পুং ১২ তাবা অদুৱাইদা শবুংখোক খুনৌ ৱাইটিং সেদ ময়াদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মকোক কায়দুনা ৱান্থদুনা ঈ-নাই তাদুনা লৈরমখিবনি। ওইরিবা ফীভম অদুদা অচৎ-অওকশিংনা থেংনরকপদগী পুকচেল চাউরবা য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনদা থবক তৌবা মীওই অমনা অরাকপা গাড়ী অমদা খুদক্তা পুখৎতুনা রাজ মেদিসিটিদা লায়কন্নখি।

ডোক্তরশিংনা মার্চ ১০দা মকোক হাংদুনা ওপরেসন তৌরবা মতুং আই সী য়ুদা এদমিট তৌখি। মহাক্কী ফীভম ফগৎলকপদগী জেনরেল ৱার্দতা পুথোরক্তুনা লায়েং চথখি। জেনরেল ৱার্দতা পুথোক্লবা মতুং মহাক্কী হকচাংদা য়েংলুবা মতমদা মকোক কায়রম্বা, মখাংদা মীনা চৈনা ফূবা মানবা দাগফম কয়া তারম্বসু থেংনখি। অদুবু লাইবক থীবদি মহাক্কী ফীভম লুশিল্লকপদগী অমুক হন্না আই সী য়ুদা থমদুনা লায়কন্নবদা ডোক্তরশিংনা মার্চ ৩১দা শিরে হায়না কনফার্ম তৌখি। অশিবা হকচাং জে নিমস হোস্পিটালদা পুদুনা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবসু ঙসি ফাওবা পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট পীবীদ্রি। মীশি অসিগী মতাংদা য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসন্নসু মার্চ ৯দা সূ মোটো কেস এফ আই নম্বর ০৩(০৩)২০২৩ ৱাই পি আই-পি এস অমা লৌখৎতুনা থিগৎতুনা লাকখি। অমরজিৎ লৈখিদবা নুমীৎ ৩৮নি শুরবা ফাওবদা মীশি অসিগী মতাংদা লংলা-লংজিল অমা ফাওবা পুথোকপীরক্তবনা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা অৱাবা কয়া খাংলি।

জে এ সী এগেনষ্ট দ ব্রুটেল কিল্লিং ওফ লাইশ্রম অমরজিৎ এলিয়স ইথোই লম্লাইনা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোরকখিগনি হায়বগী থাজবা থমদুনা ঙসি ফাওবা খাংদুনা লৈরকখিবনি। অদুবু নুমীৎ ৩৮নি হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী লংলা-লংজিল অমত্তা পুথোকপীরক্তবা অসিনা মরম ওইরগা জে এ সীনা হায়রিবা দিমান্দশিং অসি তাল্লকপনি। ঙসিদগী চয়োল অমগী মনুংদা লংলা-লংজিল পুথোকপীদ্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়খি।




Title : Lion
By : Ch. Jeshurund
Class : III Sec : A Roll No. 20
School : Savio English Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : Langlon
Class : III Sec : D Roll No. : 37
School : S.R. Hr. Sec. School



Title : Hair Styles
By : Maisnam Langonbi Chanu
Class : II Sec : Daffodil Roll No. : 50
School : SL Arena of Learning




Title : Rhino
By : Moirangthem Doreich
Class : IV Sec : A Roll : 6
School : The K.E. Blooming Institute



Title : Gautam Budha
By : Ningthoujam Monish Singh
Class : V Sec : A Roll No. : 3
School : Kendriya Vidyalaya No. 1, Lamphelpat




Title : Scenery
By : Sh. Chinglembi Chanu
Class : III Sec : B Roll No. 37
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : A Mango
By : Takhellambam Henthoiba
Class : Pre-Nursery Roll : 43
School : R.B. Academy, Lamsang



Title : House
By : Y. Joychandra Singh
Class : III Sec : A Roll : 49
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : Maisnam Abenaobi
Class : VI
School : Maheilen Education Centre



Title : Scenery
By : R.K. Taibanganba
Class : I
School : Maheilen Education Centre





Title : Manipur Culture
By : Sorokhaibam Lamnganba
Class : VI
School : Maheilen Education Centre



Title : A Little Girl
By : Wahengbam Ratana
Class : III
School : Maheilen Education Centre



Title : Scenery
By : Ningombam Victory
Class : III Sec : A Roll No. : 20
School : S.R. Hr. Sec. School



Title : Kagitora
By : Prabeshwor
Class : III Sec : C Roll No. : 44
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : Atifa
Class: III Sec : D Roll No. 21
School : S.R. Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : Daniel Wangkheimayum
Class : II Roll No. 50
School : Tiny Tots' Unique School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।